# তাইবঙ মীনা নাখিবা অমদি শিখিবগী ৱারী

## ফুঙ্গা ৱারী

**থোকচোম থৌয়াঙবা**

**তাইবঙ** মীওইবা ঐখোয়না লৈরিবা মতম অসি শরুক মরী থোক্লা খায়দোকই। শরুক অমবু ঐখোয় মীওইবনা চক অমা হায়না খঙনৈ। চকশিং অদুদি হয়ি চক, হয়া চক, লাংব চক কোন্না চক হায়বা অসিনি। চক মরি অসিগী অহৌবা হয়ি চক হায়বা মতম অসিদা লৈরম্বা তাইবঙ থৱায় পানবা মী অমত্তা অনাবা, অশিবা হায়বসি লৈরমদে। চক অসিদা মালেম অসি তাইবঙ মীনা কৃক কৃক ইন্নবা মখৈ খুন্দারম্মী। মতম অসিদা কোরৌ নোংদোন লাইরৈপাক্তা লাইয়ামশিংনা তাইবঙ মীওইবশিংগী মরমদা খুনদিন্নখি।

খোইয়ুম লাইয়াম ঐখোয়না তাইবঙ কুম্হৈ শান্নসি হায়দুনা নমু তাইবঙ পুথোক্লেদো। হৌজিক্তি মালেম অসিদা তাইবঙশিংনা নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না লৈরিক লৈরাক থন্না পাল্লেদো অদুগা ঐখোয়না তাইবঙ মীওইবশিং অসিবু লৌশিনবা হায়বসিদি তৌদ্রিদো অদুনা তাইবঙশিং অসি অরী অনৌ শীন্নদুনা পালহৌবা য়ানবা অনাবা অমদি অশিবা হায়বা অসি তাইবঙ মীওইবশিং অসিদা তন্বীরসি হায়না তাইবঙপানবা মপুনা হায়রক্লে। ফরে ফরে হায়দুনা লাইয়ামশিংসু য়ানরে মরম অসিনা লাই ময়ামগী মরক্তগী শনরিক লাইনাও তাবী অমদি চেঙবা, খূৎলৌ য়েংবা অমাইবা অনীবু খন্দুনা মালেমদা তাইবঙশিংদা অনাবা অমদি অশিবা তন্বীরুরো হায়দুনা মালেমদা থারক্লে। তাইবঙ পানবা মপুগী য়াথং মতুং ইল্লদুনা চেঙবা খূৎলৌ য়েংবা অমাইবা অমদি শনরিক লাইনাও তাবী তাইবঙশিংবু অনাবা অমদি অশিবা তন্বীগদবগী মালেমদা লাক্লে। মখোয়না মালেম অসিদা হেক য়ৌরকপগা তাইবঙ মীওইবশিংগী য়ূম য়ূমদা চঙদুনা তাইবঙ মীওইবশিং অদুগী নুংঙাই য়াইফনবগীদমক অমাইবীনা মখূৎতা শরিক পায়দুনা চীংঙুগী লাইপাউ চেল্লম্মী অদুগা অমাইবনা চেঙবী চেঙবা হৈদুনা খূৎলৌ পল্লৌ য়েংদুনা খোইয়ুমগী পাউতাক পীরম্মী। মতম অদুদা তাইবঙশিং অসি পুল্লপ পুনশিন্দুনা অমাইবী অমাইবা অনীগী পাউজেল তারিবনি হায়দুনা মতুং কোইনা ইল্লম্মী।

অসুম্না তাইবঙ মীওইবশিং অদুনা পুল্লপ পুনশিন্দুনা অমাইবী অমাইবা অনীগী মতুং অসুম ইল্লকপদুদা অমাইবী অমাইবনা তাইবঙশিং অদুদা ৱাফম খরা হায়রকই, “হে তাইবঙ ঈপারী ঈমোমশা নখোয়না হৌজিক হিংলিবা অসিদি তাইবঙ মীওইবগী মপোক্তা খ্বাইদগী নুংঙাইবা হায়বদু য়ৌদ্রিদো, নখোয় তাইবঙ মীওইবগী মপোক্তা খ্বাইদগী নুংঙাইবা তৌরাং ফক্তা ওন্দুনা হেদো নাহে তন্বা অনাবা হায়বা অমগা খম্নুং শৱা তানবা অমল থরৈ কুম্বা শিবা হায়বা কুম্হৈ অমগা লৈদো মসিবু নখোয়না হেক ফংলবদি নখোয় তাইবঙ মপোক্কী নুংঙাইবা হায়বদু মপুং ফারে নুংঙাইবগী মতোল লোম্লে হায়বা য়ারেদো তাইবঙশা। মতম অদুদা তাইবঙশিং অসিনা নুংঙাইবা হায়বদু ফংনিংবদগী অমাইবী অমাইবা অনীগী মফমদা, হে ইমা ইবেম্মা, পম্থৌ ইপা ইবুংঙো নপারি নমোম ঐখোয়দি খঙজ হৈজদবা অপঙবা তাইবঙ ঙাক্তনি, অনাবা হায়বা অমদি অশিবা হায়বা মরমদো তাইবঙ ঐখোয়দি খঙজদ্রি, ইপানা ইমানা চানবীদুনা অনাবা, অশিবা হায়বা কুম্হৈদো ঐখোয়দা অমুক্তা তাকপীয়ুবা হায়রম্মী।

মতম অদুদা অমাইবী অমাইবা অনীনা ফরে ইপারি ইমোম নখোয়না খঙনিংঙি হায়রবনিনা ঐখোয় য়েংহল্লগে হায়দুনা য়ূম অমদা অমাইবী অমাইবা অমদি নমু মীওইশিং পুম্নমক চঙলক্লে। য়ূম অদুগী মাংশোক হায়না খঙনরিবা অৱাং থংবা কা অদুদা তৌরাং ফক অমা থারগা ফক অদুগী মথক্তা ফি অমদি মোন অমা থাদুনা শনরিক লাইনাও তাবী অমাইবীনা ফক মথক অদুদা হিপ্লগা অনাবা হায়বদু শারক্লে অদুগা চেঙবা খূৎলৌ য়েংবা অমাইবনা অমাই পুরেল ওইদুনা অনাবা শারিবী অমাইবীবু খরায় লায়কন্নরক্লে। মতম অদুদা অমাইবী অমাইবা অনীনা তাইবঙ মীওইবশিংনা অনাবা হায়বসি পাম্মী হায়রক্লবগীদমক্তা অনাবা হায়বসি য়াম্না নুঙাইনা উহন্নবগীদমক অমাইবনা অমাইবীগী মশা অদু মখূৎনা ফি অমা পায়রগা শিৎ শিৎ নানবিরম্মী। মমায় মমিৎসু তাবীরম্মী। মকোক শমচেৎসু হাৎপীরম্মী। অনাবনা চাবা য়াবা অহাও অহাওবা অচাপোৎশিংসু ইনবিরম্মী। অনাবনা চরৈ ফি অহনবা শেৎকে হায়রবসু শেৎহল্লি, শিংঙেল লৈরাং চিনগে হায়রবসু চিলহল্লি। মতৌ অসুম্না অমাইবী অমাইবা অনীনা অনাবা হায়বসি য়েংহল্লকপা মতমদা তাইবঙ মীওইবশিং অসিনা অনাবা হায়বসি য়াম্না নুংঙাইবা কুম্হৈ অমা ওইনা উরে। অদুগা মখোয় মশেল খন্নরে অনাবা হায়বা অসিদি য়াম্না নুংঙাইবা মরমনিদনা য়েংঙু ইমা অমাইবী মহাক্লা নুংঙাইনা ফক অসিদা মনিং মখা তম্না হিপনিঙি হিপ্পী, ফমনিঙে ফম্মী নুংঙাইনা পোত্থাদুনা লৈ অদুগা চরৈ অহনবা শেৎকে শেৎহল্লি। শিংঙেল লৈরাং চিনগে চিলহল্লি, থবকসু মনা অমত্তা শুদে। অনাবনা চানিং চানিংবসু পীজৈ। মসি য়াম্না নুংঙাইবা মরমনি। মসি ঐখোয় লৌহৌরসি হায়দুনা য়ানরে।

মসিগী মতুংদগীদি ঙসাইমখৈ অনাবা শারম্বী ইমাদো খম্নুং শৱা তাল্লবনি অমলগী থরৈ কুম্লবনি শিবা হায়বদো ওইরবনি হায়দুনা ৱা অমত্তা ঙাঙখিদ্রে। অমাইবনসু তাইবঙ ইপারি ইমোমশা পলেম নমা অসে শিরেনেহে হায়দুনা মী অমনা শিবদা তৌগদবা থবক খুদিংমক শেম শাদুনা পলেম ইমাগী হকচাংদো কাই (কু) অমদা হাপচিল্লগা মৈ থাদুনা পোল্লোইগদবগী মপান্দা পুথোরক্লে। মপান্দা শীং শেমদুনা থল্লিবা মফম অদুদা কাই অদু থাংগৎলগা অমাইবীবু মৈ থাদুনা পোৎলোইরে। মৈ অদুনা খরা খরা চাকখৎপা হৌরকপা মতম অদুদা অমাইবীদি তশেংনমক শিবা নত্তবনিনা তাইবঙ কনাসু উহন্দনা হৌগৎতুনা চৎখ্রে। অমাইবীনা শিখিবা নুমিৎ অদুদগী নুমিৎ ৫ নি শুরগা লৈখিদ্রবী ইমাগী য়াইফনবগীদমক হৈ-লৈ, মৈরা-মেক্রুক, অথুম-অহাও ময়াম অমা তাইবঙপানবা মপুদা কৎচদুনা ময়াম তিন্দুনা চামিন্নরে। থৌরম অসিবু তাইবঙসিনা মঙানি লৈহুন তন্বা হায়না খঙনখ্রে। থৌরম অসিগী মতুং নুমিৎ ১১ নি শুবদা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ময়াম তিন্দুনা চামিন্নরে। থৌরম অসিবু তাইবঙশিংনা মথৌ য়াংগেনবা লান্ন থৌরম হায়না খঙনখ্রে। মসিগী মতুংদা অমুক লোইদাম থা ১২ শুরগা তাইবঙ মপুগী মফমদা লুক কত্তুনা চাক খাঙদুনা থৌরম অমা পাঙথোল্লগা ময়াম তিন্দুনা চামিন্নরে। থৌরম অসিবু তাইবঙশিংনা ফিরোই হায়না খঙনখ্রে। অসুম্না থৌরম মথং মথং পাঙথোকপদা পলেম ইমা অমাইবীসু তশেংনা শিবা নত্তবনিনা ময়াম তিনবা অসি য়াওদুনা চামিন থকমিন্নবা অসি য়াওরম্মী। মতম অসিদসু তাইবঙশিং অসিনা অশিবা হায়বা মরম অসিসু য়াম্না নুংঙাইবা কুম্হৈ অমনিদনা মসিমসু ঐখোয় লৌহৌরসি হায়দুনা খন্নরে। মসিদসু তাইবঙ মী ময়ামদো লৌহৌরসি লৌহৌরসি হায়দুনা য়ানরে। অদুদগীদি তাইবঙ মীশিং অদুনা অমাইবী অমাইবা অনীগী মফমদা হায়জরক্লে। হে ইমা ইবেম্মা, পম্থৌ ইপা ইবুংঙো হন্দক পলেম পম্থৌ অনীনা নপারি ওইবা নমোম ওইবী নমু তাইবঙ ঐখোয়দা তাকপীরিবা অনাবা হয়বা মরম অমদি অশিবা হায়বা মরম অসে তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না অসুম অসুম য়েংজরকপদা য়াম্না নুংঙাইরমগদবা মওংবু মানজরে অদুনা অনাবা হায়বা অমদি অশিবা হায়বা কুম্হৈসে পলেম পম্থৌ অনীনা চানবিদুনা নচা নশু ওইবা ঐখোয়দা পীবিরো তাইবঙ ঐখোয়গী ওইজহৌরগে হায়না নিরক্লে।

অনাবা অমদি অশিবা হায়বসিদা তন্বীরুরগে হায়না লাকপনিনা অমাইবী অমাইবা অনীনা হৱাউ হৱাউ য়াবিরে। অমাইবী অমাইবা অনীনা তাইবঙশিংদা অনাবা অশিবা পীখিবদগীদি অনাবা অশিবা খঙজরমদবা তাইবঙশিংদো নাবা হৌরক্লে। মতম অসিদা তাইবঙশিং অসিনা মখোয়গী ইমুং অদুদা মী অমত্তং নাবা হৌরকপদা য়াম্না হৱাউনরম্মী। মতম খরা লৈরগা অনাবা মী অদু অমুক শিরে। মতম অসিদসু তাইবঙ মীশিংনা মখোয় মখোয়গী ইমুং অদুদা মী অমত্তং শিরকপদা ঙমখৈ লৈতনা হৱাউনরে। মী শিরবনিনা শিখ্রবা মী অদুগী য়াইফনবগীদমক লৈহৌরিবা মপা-মমা, মচিন মনাও, শাগৈ-নাতৈশিংনা শনরিক লাইনাও তাবী পলেমনা শিবা মতমদা অমাইবনা পাঙথোকখিবা থৌরমগুম মী অদুনা শিখিবা নুমিৎ মঙানিদা, ১১ নিদা অদুগা থা ১২ নিদা ঙমজবা হৈরাং লৈরাং, মৈরা মেক্রুক, অহাও অথুম য়াওনা তাইবঙ মপুগী মফমদা কৎচদুনা ময়াম তিন্দুনা চামিন্নরে। অসুম্না লৈকায় লৈকায় য়ূমথোঙ য়ূমথোঙ খুদিংদা তাইবঙ কয়া শিরক্লে। শিরিবা খুদিংগী ময়াম তিন্দুনা চামিন থকমিন্নরে। অদুবু খেন্নরিবদি শনরিক লাইনাও তাবী পলেম্না তাইবঙশিংদা শিবা হায়বদু কমদৌবা মওংনো য়েংহনবা মতমদদি শনরিক লাইনাও তাবীদি তশেংনা শিবা নত্তবনিনা তাইবঙশিংগা লোয়ননা ময়াম তিন্দুনা অচা অথক চামিন্নবদো পলেম ইমাসু য়াওরম্মী। হন্দক তাইবঙ মীওইবশিং অসিনা শিবা অসিদদি তশেংনা অশিবা হায়বদু ওইখ্রবনিনা মালেমদা অমুক হন্না লাক্তুনা ময়াম তিন্দুনা চামিন থকমিন্নবা য়াওরখিদ্রে। অসুম্না তাইবঙ য়ূমথোঙ খুদিংদগী শিখ্রবা মীওইশিং অদুনা হল্লকপা কৌবা মরৈত্রবদা লৈহৌরিবা মমা-মপা, মচিন মনাও ওইবশিং অদুনা লৈখিদ্রবা পলেম পম্থৌ, মপারি মমোম, মচিন-মনাওশিং অদুগী কোলোই মিংলেন অদুবু থম্মোয় শোক্লা শোক্লা কৌরদুনা কপলক্লে। অসুম্না মীকপ মীরাওখোলতনা মালেমসে পুম্নিল নিনখরে। মতম অসিদা তাইবঙ মীওইশিং অসিনা ৱা তান্নরক্লে। হন্দক অমাইবী অমাইবী অনীনা ঐখোয়দা য়াম্না নুংঙাই হায়দুনা পীরিবা অনাবা হায়বা অমদি অশিবা হায়বা মরম অনী অসি ঐখোয় লৌররোইসি মখোয়দা অমুক হন্দোকখ্রসি নৎত্রবদি তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে ইপা ইমা কায়নরগনি, ইচিন ইনাও, ইচিন ইপ্বা শেৎনরগনি হায়না খন্নরে। তাইবঙ মীওইবা ময়ামদো অনাবা অশিবা অসি হন্দোকখ্রসি হন্দোকখ্রসি পীথোকখ্রসি হায়না য়ানরে। তাইবঙ মীওইবশিংনা ওইরক্লিবা ফীভম, মওং মতৌ অদু উরগা অমাইবী অমাইবা অনীদো মখোয়না পীথোকখ্রবা অনাবা অমদি অশিবা অনীদো অমুক হন্না লৌশিনবা য়াদবনা তাইবঙ কনা খঙহন উহন্দনা লাইরমলেন্দা হনখরে। অসুম্না তাইবঙশিংনা অমাইবী অমাইবা উনদুনা অনাবা অমদি অশিবা হায়বা অসি হন্দোকহৌদবদগী তাইবঙ মীওইবশিং অসি অনাবা অমদি অশিবা হায়বা অসি ওইখিকো।।



*শনরিক লাইনাও তাবি অমাইবীনা তৌরাং ফক মথক্তা ফি অমদি মোন অমা থাদুনা হিপ্লগা অনাবা শাদুনা চেঙবা খূৎলৌ য়েংবা অমাইবনা অমাই পুরেল ওইদুনা অনাবা শারিবী অমাইবীবু খরায় লায়কন্নবগী শক্তম*

## জাতক্কী শৈরোল

**মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা**

### খুনু অমদি ক্বাক



মপোক অমা বোধিসত্ব খুনু ওইনা পোক্লম্মী,
চাকশঙ অম’ই থুম্মোক্তা শাইদাংদুনা লৈরম্মী।
’য়ূক্তা চীঞ্জাক থিরুনি য়াচঙদবা হল্লক’নি;
’সুম্না খুনু মচাদো পুন্সি য়ারেল হুকপনি।
নোংমা ক্বাক অমখক পাইশিল্লক্লে চাকশঙদা;
শা-ঙা অথোংবা তিনবু চুমখি উবদা।
অসুম্নবু লৈরিঙৈ বোধিসত্ব হল্লক্লে;
মতুং নুমীৎ খরদি ক্বাক্লা মতুং ইল্লক্লে।
ক্বাক্তু লোয়নরকপদা পুজারীনা মকোলবু,
অমা তন্না শাবিরে লেকচনবা হায়নবু।
নুমীত্তুদৈ হৌদুনা খুনু ক্বাক্তি অনীদো,
চাকশঙদবু লৈখরে নুংশিননা মখোয়দো।
পুজারীনা নোংমদি ঙাবু খরা ফৌরম্মী;
য়াদ্রে ক্বাক্তো হায়রকই, “নারে ঐহাক পূকসিবু;
চীঞ্জাক থিবা চৎলরোই মরূপ, নহাক চৎখরো।”
মতৌ অদু থাজদে, “ফরে ’দুদি লৈহৌরো;
কল্লক কঞ্জাউনরবা অৱাবদা তানিকো।”
ক্বাক অদো থুম্মোক্তা তাল্লুমদুনা লৈখরে।
ঙা থোংবা ঈংহল্লম, পুজারী মপাল থোকখরে।
শরকসিদা ক্বাক অদো পাইথরক্লে মখাদা;
মতূম অমা চীক্লগা তোংখি খাংখুম মথক্তা।
মখুম অদু তাখরে গ্রোঙ লাউনা নীংখায়না,
হোৎচিল্লক্লে মপুদো উরে লোইনা মমীৎনা।
শাউরে, থোঙবু লোনশীনিখ্রে ক্বাক অদু ফাখরে;
মতু লোইনা খোক্তোক্ল’ অমেৎপবু হৈজিনখ্রে।
মকোল থুম্মোক অদুদা লংশিনখরে লাক্তুনা;
হেদো-নাহে তমদুনা লৈখ্রে ক্বাক্তো নাবনা।
য়াচঙবদা বোধিসত্ব মকোন্দবু পাইরক্লে;
উরে তৌরল্লিবদো, অসুম্নবু হায়রক্লে;
“ঈৱা লৌদ’ করামজাউ নরাল’ নপোৎ ফারেদো।
পাউতাক লৌদ, ঙক্কনবা ক্বাক্লা মাঙগুম মাঙনিদো।”
মফমদুদা লৈনিংদ্রে বোধিসত্ব পাইখরে;
ক্বাক য়াইফৌ অদুনা লূখাক কোম্বু য়ৌখরে।।

## অঙাংশিংগী মশান্ননা

**মংশাতাবম চনু নলিনী**

### চাক থোংবী শান্নবা



**চাক থোংবী** হায়বা মশান্না অসি মৈতৈ অঙাংশিংনা মমাঙঙৈদগী শান্নরক্লবা মশান্নশিংগী মনুংদগী অমনি। মশান্না অসি চাউরাক্লা চহী তরূক্তগী তরাফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নৈ। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু চাক থোংবী হায়বা মশান্না অসি করি করিগুম্বা মতমদা শান্নৈ। মশান্না অসি অঙাংশিংনা মাঙ্গোল অমসুং শঙ্গোইনচিংবদা নুংথিল অমসুং নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা শান্নৈ। চাক থোংবী হায়বা মশান্না অসি অঙাং অনী অহুম্না শান্নবা মশান্ননি।

মশান্না অসি শান্নবগী মওংদি চাকথোংবী হায়বা মশান্না অসি শান্ননবগীদমক্তা পূখ্রিদগী লৈখোম খরা পেল্লগা চফূ মচা, উয়ান মচা, সনাবুল, তেক, বালটিন, সমুক, পূখম, তেঙ্গোৎ, সেম্পাক, গ্লাস, খুজাই অমসুং কোম্পাক্লচিংবা য়ূম অমা পানবদা চঙগদবা মচাকশিং অদু মখল শুনা শারগা নুংশাদা ফৌদোক্তুনা থমগনি। মতৌ অসুম্না নুমীৎখরনি থল্লগা কংলবা মতুংদা চাক থোংনবগীদমক্তা ইংখোলদগী চেঙগী মহুত্তা থাউনম মরূ, য়েম্পৎ-মপালনচিংবা হেক্লুরগা লৈবাক্লা শাবা চফূ মচা অদুদা হাপ্লগা লৈখোম্না শাবা লৈরং মচাদুদা থোংই। লৈরং মচা অদুদা শিংতেক-শিংদা খরা থিরুরগা মৈ হৌগৎপগী মওং তৌই। করি করিগুম্বা মতমদা অশেংবা মৈ হৌগৎপসু য়াওই। থোং-থাকপা লোইরবা মতুংদা লৈবাক্কী পূখম-তেঙ্গোৎনচিংবদা থিদোক্তুনা থল্লগা চাশিন্নবগী মওং তৌই। অঙাংশিং অদুনসু মখোয় মশা মশাবু অহলমক্লি খন্না শান্নৈ। মতৌ অসুম্না অঙাংশিংনা চাকথোংবী হায়বা মশান্না অসিদা মরুওইনা চাক থোংদুনা পীজ-পীথক তৌদুনা শান্নবগী মওং অসিবুনি চাকথোংবী শান্নবা হায়রিবসি।

চাকথোংবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা অঙাংশিংনা শান্নরিবা ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, ৱাহৈ-ৱাতা অমদি তৌরিবা চৎনরিবা মওং-মতৌশিং অসি মখোয় মখোয়গী ইমুং মনুংদা অমসুং মখোয়গী অকোয়বদা হকথেংননা থেংনরুবা, উরুবা অকোয়বদা উরুবা কয়াশিং অদুগী মতৌ তল্লগা শান্নবনি। মশান্না অসি শান্নরিবা অঙাংশিংনা তৌথোরকপা থৌওংশিংদগী অঙাং অসি করম্বা ইমুংদগী হৌরকপনো হায়বদু খঙবা ঙম্মী।

মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল-লমনশিংনা অথীংবা পীদে। চাকথোংবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবনা অঙাংশিংদা তুংদা ওইরক্কদবা য়ূম্বাল্লোনগী অকূপ্পা নিয়ম কয়ামরুম অদু মাঙজৌননা খঙহল্লি লোয়ননা মমীৎ মনা শিংবা হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা চাকথোংবী শান্নবনা সমাজ অসিগী চাকচা-য়িথক, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ অমদি য়ূম্লৈ কৈরৈগী মশকসু তাকই। অঙাংশিংনা চাকথোংবী হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা ফজ্লগা শান্নৈ ।।

## মণিপুরী পাউরৌ

**লোইতোংবম বীরজিতা দেবী**

### নুঙদা ঈশিং হৈবা পেক্তে

নুঙদা ঈশিং ফনা চাইরবসু পেথোকপা হায়বসিদি ওইথোক্তে, অসুম্মক কনশীন্দুনা হান্নগী ফীভমদুদা অদুম্মক লেঙদনা লৈ। মতৌ অসুম্না থম্মোয় কনবা মীনুংশি য়াওদবা মীওইদদি ফনা নুংশিনা লৈশী লৈথোল্লবসু হান্নগী কনশীনখ্রবা থম্মোয়দুদগী হোংদোরক্তে হায়বগী মতাংদা পাউরৌ অসিবু প্রমান তৌরগা হায়ন-শক্লে। অফ-ফত্ত কনাগুম্বনা ৱাফম অমদা লেপখ্রবা অমসুং মদুদগী হোংঙু য়াদ্রবা মতাংদসু পাউরৌ অসি হায়না শক্লে।।

— — –

### নোং তারগা থীগং পোপথোকই

পাউরৌ অসিগী মপান্থোংগী ওইবা অর্থদি নোং তারবদি হান্না কংশিন্দুনা লৈরম্লবা থীগংশিং অদু পোপথোকই হায়বনি। পাউরৌ অসিগী লোয়নরিবা ৱাখল্লোনদি হৌখ্রবা লোইখ্রবা থবক নৎত্রগা ৱাফম্বু করিগুম্বা ৱাহৌ নৎত্রগা থৌদোক অমদগী হৌজিক্তা থোকখিবগুম ইনৌ নৌনা পুথোরক্লুরকপা অদুনি। হৌখ্রবা লোইখ্রবা থৌদোক থৌরমশিং নৎত্রগা ৱাফম অমবু হন্না-হন্না চিংথোক্তনা ইনৌ নৌনা ঙাংনরকপা মতমদা পাউরৌসি হায়ন-শক্কদুনা হৌখ্রবা ৱা অমুক পুথোক্লদুনা কান্নদে হায়বদু পাউরৌ অসিনা উৎলি।।

———

### নোংমদোলদা তিন শীৎলগা ইমায়দা তাই

অতিয়ারোমদা ওনবা তারবদি মায়সি নোনখৎপা তাই। মায়সি লোংখত্তুনা অতিয়াদা তিন শীৎপা তারবদি শীৎকৎলিবা তিনশিং অদু মখাদা তারকপা মতমদা শীৎলিবা মীদুগী মমায়দা তাই। পাউরৌসিগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনদি কনাগুম্বা মীওই অমনা মশাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী মরমদা ফৈ-ফত্তে হায়না হুন্দুনা মীঙোন্দা ঙাংলবদি, ঙাংলিবা মাগী মমায় চোপ্পবা, থীননবা মচাক ওইহল্লি হায়বদুনি। অতোপ্পা তারিবশিংদুগীদি করিসু মাঙজদে অদুগা ঙাংলিবা মাগীদমক্তদি অফবা ওইদে হায়বদু তাকই। পাউরৌসিগা লোয়নরিবা অতোপ্পা ৱাখল্লোন অমদি ইশা-ইশানা তৌরুবা থবক্কী অফ-ফত্ত মহৈদু ঐখোয়না ফংই হায়বদুনি।।